# পুৱারি ওইরবা এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবগী হরাওবা ফোঙদোকপা থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর শরুক য়াগদৌরি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী): পুৱারি ওইরবা বোরো এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবগী হরাওবা ফোঙদোকপা থৌরমদা শরুক য়ানবা ফেব্রুৱারী ৭তা অসামগী কোক্রাঝারদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লাক্কদৌরি।

থৌরম অদুদা বি টি এ দি জি লাশিং অমসুং অসাম পূম্নমক্তগী মীওই ৪,০০,০০০ হেনবনা শরুক য়ারবা য়ারি। ষ্টেট অসিগী খেন্নবশিং উৎনবা ষ্টেট লৈঙাক্লা শিন দুনা অসামগী ফুরুপশিংগী কলচরগী থৌরম অমসু পাথোক্কনি।

মরুওইবা মরী লৈনবশিং ঙাক্লৌ অমগী মখাদা থমদুনা চহী অসিগী জন্যুৱারীদা খুৎয়েক পীনখিবা পুৱারি ওইরবা বোরো এগ্রিমেন্ট থাগৎনবা পুনগদৌরিবা মীয়ামদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাংগনি।

য়ান্নচে অদু কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ২৭তা ন্যু নিল্লিদা খুৎয়েক পীনখিবনি। মহাক্কী লনাই ওইবা ত্বিট অমদা নুমিৎ অদু ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না অখন্নবা নুমিৎ অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি। অমসুং একোর্দ অদুনা ইং-তপ্পা, নুংশিনবা অমসুং অপুনবগী অনৌবা মতম অমা পুরক্কুনা বোরো মীয়ামগী অওনবা অমা লাক্লগনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী 'সমকা সাথ সবকা বিকাস' হায়বা পান্দম অদুগা লোয়ননা য়ানবা পুরকখিবনি। অমসুং চহী ৫০ শুরবা বোরো ৱাথোক লোইশিন্দুনা চাউখৎপা অৱাং-নোংপোক অমা পুরক্লবা পান্দম থল্লি।

মহাক্কী ত্বিটতা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মরম কয়াদগী বোরো এগ্রিমেন্ট অসি তোমথিন ঙাল্লি। মমাংদা খুৎলায় পায়রম্বশিং হৌজিক মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লক্লগনি অমসুং ঐখোয়গী লৈবাক্কী চাউখৎ-থৌরাংদা মতেং পাংলগনি।

য়ানচে খুৎয়েক পীনখিবা নুমিৎ নিনিগী মনুংদা এন দি এফ বিগী তোঙান-তোঙানবা কাংলুপকী কাদর ১৬১৫ মখোয়গী খুৎলায়শিংগা লোয়ননা চংজরকখি অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা তিল্লখি।

ত্বিটরদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, বোরো কাংলুপশিংগা য়ানবা অসিনা মখা তানা বোরো মীয়ামগী অখন্নবা কলচর অসি ঙাকশেনগনি অমসুং মমিং চৎহনগনি। মখোয়না চাউখৎ-থৌরাংগী থবক কয়াগী কান্নবা ফংলগনি। মখোয়গী অনিংবশিং থুংহন্নবা ঐখোয়না বোরো মীয়ামদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি।

লমদম অসিগী চাউখৎ-থৌরাংগীদমক লুপা ক্রোর ১৫০০গী অখন্নবা পেকেজ অমা খাত্তুনা থল্লে। ইন্দিয়া লৈঙাক, মিজোরাম লৈঙাক অমসুং ট্রিপুরা লৈঙাক্কী মরক্তা হন্দক য়ানচে খুৎয়েক পীনখিবা অদুনা ব্রু-রিয়াং রিফুজি ৩৫,০০০ হেন্না কান্নবা ফংলগনি অমসুং অৱাং-নোংপোক্তা ইং-তপ্পা পুরক্লবা অমসুং চাউখৎনবা প্রাইম মিনিষ্টরগী মঙলানদা থাজবা থমদুনা ট্রিপুরাদা এন এল এফ টি কাদর ৮৫ হেন্না চংজরকখি।

রিপব্লিক দেদা মন কি বাত থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক্কী মীয়ামদা মহৌশাগী ইচেলদা লাক্লবা কা হেনবা থৌওং চথুবগী লম্বীদা লৈরিবশিং খুৎলায় থাদোক্লবা খঙহনখিবনি।

রিপব্লিক দেদা মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিগী মফম খুদিংদা লৈরিবা কা হেনবা থৌওং চথুবা অমসুং খুৎলায়শিংগী মতেংনা পান্থৈবশিং থিরিবশিং মহৌশাগী ইচেলদা অমুক হল্লক্লবা ঐনা হায়জরি। মখোয়না মশাগী তৌবা ঙন্বশিংদা থাজবা থমগদবনি অমসুং মসিনা ৱাথোক খুদিংমক ইং-তপ্পা মওংদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি।

# এন পি আরগী থবক থৌরমদা মরী লৈনবা চে-চাং অমত্তা খোমগৎপা তৌরোয়: মিনিষ্টর



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী): নেসনল পোপ্যুলেসন রেজিষ্টর (এন পি আর) অপদেট তৌবদা মরী লৈনবা চে-চাং অমত্তা খোমগৎপা তৌরোয় হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম নিত্যনন্দ রাইনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা হায়খি, কনাগুম্বনা আধার নম্বর পীবা নৎত্রগা পীদবগী মতাংদা অকক্নবা কাংলোন অমত্তা লৈহল্লোই। সেন্টরনা এন পি আর শেম-শানবগী মতাংদা মরী লৈনবা ষ্টেটশিংগা কূপ্পা ৱারি শানবা হোৎনরি। ইন্যুমরেটরশিংনা মীয়ামদগী মরী লৈনবা চে-চাং অমৎতা খোমগৎত্রবসু ৱাহং খরা হংলগা এন পি আর শেল্লগনি।

চহী অসিগী এপ্রিল ১দগীনা সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবদা লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা সেন্সস ২০২১গা ইরোয়ননা এন পি আরগী থবক থৌরম পায়খৎকনি। য়ুমথোঙ খুদিং চংদুনা ইমুং অমদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরমদা অখন্নবা ইনফোর্মেসন খোমজিল্লগা এন পি আর শেমগদবনি।

ইমুং অমদা লৈরম্বা মীওইশিংনা অচুম্বা পাউখুম পীবগী তঙাইফদবা লৈবা তারবসু আধার নম্বর পীবা নৎত্রগা পীদবা হায়বদুদি মী-মীদুগী অপাম্বগী মখা পোনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, এন পি আর হায়বসি খুঙ্গং, নত্ত্রগা রুরেল এরিয়া, নত্ত্রগা টাউন, নত্ত্রগা অকক্ল বা মফম অমদা লৈবা মীওইশিংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং য়াওবা রেজিষ্টরনি। খ্বাইদগী অহানবা ওইনা কুমজা ২০১০দা এন পি আর শেমখি। কুমজা ২০১৫দা অমুক হন্না এন পি আর অপদেট তৌখি।

সিটিজনসিপ (রেজিষ্ট্রেসন ওফ সিটিজন্স এন্দ ইস্যু ওফ নেসনল আইদেন্টিটি কার্দ) রুলস ২০০৩গী রুল ৩ মতুং ইন্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এপ্রিলদগী সেপ্তেম্বর ফাওবা পোপ্যুলেসন রেজিষ্টর অপদেট তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মমতা বেনর্জিনা অৱাং নোংপোক লমদম অমদি ওপোজিসননা লৈঙাকপা ষ্টেট পূম্নমক্কী চিফ মিনিষ্টরশিংদা এন পি আর ফোর্মদা য়াওবা ৱারোলশিং কূপ্পা য়েংশিন্নবা অপিল তৌখি। থৌরাং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা চিফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হায়খি, মীয়ামদা মমা-মপাগী রেসিদেন্সিএল প্রুফ অমদি পোকপগী নুমিৎ হংদুনা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসি এন পি আরগা মরী লৈনৈ হায়বা মীয়াম্না খঙবা মতম ওইরে।

কেরালা গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অদুগী মীয়ামদা এন পি আর চৎনহল্লোই হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।

# কেরলাদা কোরোনাভাইরসকী মতাংদা ওবজর্ব তৌদুনা থল্লিবা মীওই অনী চেনখ্রে

কোঝিকোদ, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী): মীওই অহুম কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ২৫০০ হেন্না ওবজর্বেসন তৌদুনা থল্লিবা কেরালাদা চাইনাদগী হল্লকপদা ঙাইরিবা মীওই অনী হৌজিক অরাবিয়াদা চেনখ্রে।

খুদোংথিনিঙাই ওইরবা লায়না অসিগী পোজিটিভ ওইবা কেস অহুম থেংনখ্রবা মতুংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা ঙরাং কেলামিটি লাউথোকখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা মীওই পূম্নমক্তা হেল্থ ওথোরিটিশিংনা মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎখ্রবনি।

কোঝিকোদ কোর্পোরেসনদা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ৱার্দ কাউন্সিল্লরশিংদা ওবজর্বেসন তৌরিবা মীওই পূম্নমক কুপ্পা য়েংশিন্নবগী থৌদাং শিন্নখ্রবনি।

চৈরকসিদা সোর্স অমনা হায়খ্রে মদুদি, ওবজর্বেসন তৌদুনা থল্লিবা মীওই অনী চেনখিবনা মরম ওইরগা হেল্থ সেক্টরগা মরী লৈনবা মীওই পুম্নমক ইকায়বা নংহল্লে। মপান লৈবাক্তগী হল্লকপদা ঙাইরিবা মীওইশিং মশানা খঙনা ফোঙদোকচরক্তবা মরম্না হেল্থ ওথোরিটিশিংদা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্নহল্লে।

হেল্থ মিনিষ্টর কে কে সাইলাজনা হায়খি মদুদি, কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা মীওই অহুম তপ্পা-তপ্পা ফিভম ফাগৎলকপা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা মীয়াম্না মীপায়বা পোক্লিংঙাই ওইদ্রে।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT: LAW & LEGISLATIVE AFFAIRS DEPARTMENT**
---

**NOTIFICATION**
Imphal, February 04, 2020

No.5/21/2019-Case/L(MHC)(Pt.2): On the recommendation of the Selection Committee constituted vide Order No. 5/21/2019-Case/L(MHC)(Pt.2) dated 30.01.2020 in its Meeting held on 01.02.2020, the following Roll Nos. are declared as selected for appointment as Special Public Prosecutor in the office of Public Prosecutor (District), on regular basis against the 2 (two) posts created vide Order No. 5/21/2019-Case/L(MHC) dated 26.12.2019 vide Manipur Gazette (Extra-Ordinary) Notification No. 360 dated 28.01.2020:

(1) **Roll numbers selected for the two posts of Special Public Prosecutor:**
Roll No. 17 and 4.

(2) **Wait list:**
Roll No. 12 and 7.

2. Selected Candidates in No. (1) of first para are hereby informed to collect letter of offer on or before 07.02.2020 from the office of Secretary (Law), Government of Manipur, New Secretariat, South Block Room No.7.

Sd/- Henry Alemo Francis
Under Secretary (Law)
Government of Manipur

HL-B/6024/5

# দিল্লিগী মীখল: এ এ পিনা অফবা এদ্যুকেসন, হকশেল অমসুং অৱৃবা ঈশিং ফংহনগনি হায়না লাউথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী): আম আদমী পার্টি (এ এ পি)না ঙসি দিল্লি এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈনবা পার্টিগী মেনিফেষ্টো ফোঙখিবগা লোয়ননা এদ্যুকেসন, হেল্থ অমসুং ইনভাইরনমেন্টকা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া লাউথোকখ্রে।

করিগুম্বা পার্টি অসিনা মীখলদা অমুক হন্না মায় পাক্তুনা লৈঙাক পায়রক্লপদি দেস ভক্ত প্রোগ্রাম হৌদোক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। ফেব্রুৱারী ৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাংওইননা ফোংখিবা এ এ পিগী মেনিফেষ্টোদা য়ুমথোং খুদিংমক পুং ২৪ চুপ্পা ইলেক্ট্রিসিটি ফংহনবগা লোয়ননা এদ্যুকেসন, হকশেল অমসুং ঈশিংগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়বা ৱাফম য়াওরি।

লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা মীয়ামদা ফংহনগদবা পোৎলমশিং য়ুমথোং খুদিংদা চত্তুনা য়েম্থোক্কনি অমসুং সিনিয়র সিটিজন লাক্ষ ১০ লেম্না মফম কয়াদা লেম্না লায় খুরুম্বা চৎহনগনি হায়বা ৱাফমসু এ এ পিগী মেনিফেষ্টৈদা য়াওরি। এ এ পিনা হায়খি, মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা লৈখিদবা সেনিটেসন ৱার্কর খুদিংমক্তগা লুপা ক্রোর ১ কেম্পেন্সেসন পীরগনি।

থংনা থংননা তর্ম অনীরক দিল্লিদা লৈঙাক পায়রক্লবা পার্টি অসিগী মেনিফেষ্টোদা শরুক অনী য়াওরি। অহানবা শরুক্তা পার্টি অসিনা মীয়ামদা মাংজৌননা ফংহনখ্রবা খুদোংচাবা থৌরাং ১০গী ৱাফম পল্লি। অনীশুবা শরুক্তনা লাক্কদৌরিবা চহী ৫গী মনুংদা পায়খৎকদবা থবক-থৌরমশিং ময়েক শেংনা পল্লি।

দিল্লি জন লোকপাল বিলগী মতাংদা এ এ পিনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০১৫দা পার্টি অসিনা পাস তৌখ্রবা মতুংদা বিল অসি কোর্টতা চহী মরি পন্দুনা লৈরকখি।

দিল্লি গভর্ণমেন্টনা স্কুলশিংদা হেপ্পিনেস করিক্যুলম অমসুং ওন্ত্রপ্রেনরসিপ করিক্যুলম হাপচিনখ্রবা মতুংদা হৌজিক দেস ভক্তি করিক্যুলম য়াওহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

দিল্লি এসেমব্লি ইলেক্সন ২০২০গা মরী লৈননা ফোংখিবা এ এ পিগী মেনিফেষ্টোদা য়াওরিবা মরু ওইবা ৱাফমশিংদি, কিলোমিটর ৫০০দগী হেন্না লাপ্পা মফমদা মেট্রো নেটৱার্ক য়ৌহনবা, য়মুনা তুরেলগী তোর্বন নৌনা শেমগৎপা, লম্বী পুম্নমক নৌনা দিজাইন তৌবা, লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংদা কনাগুম্বা অমত্তনা শেনখায়-থুমখায় তৌবা ঙমহন্দবা, দিল্লি জন লোকপাল বিল পাস তৌহন্নবা হোৎনবা অসিনচিংবনি।

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION,**
**MANIPUR**

**NOTIFICATION**
Imphal, the 4th February, 2020

No. Ex/198/11(pt)//1820 The following list of Examination Centres for the High School Leaving Certificate Examination, 2020 are hereby announced along with the venues and Roll Numbers of the Candidates allotted to each centre for general information of all concerned. For other details, candidates may contact the Officers-in-Charge of their respective Examination Centres. **Candidates are also informed that they are required to bring blue/black ball point pens for darkening the OMR bubbles/circles.**

Sd/- Dr. Chithung Mary Thomas
Secretary

BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR
CENTRE LIST FOR
H.S.L.C. EXAMINATION 2020

| CENTRE NO | NAME OF THE CENTRE | ROLL RANGE | NO. OF STUD. |
|---|---|---|---|
| 1 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL , MARAM | 10001 - 10224 | 224 |
| 2 | MAO MARAM HIGHER SECONDARY SCHOOL, TADUBI | 10225 - 10492 | 268 |
| 3 | SARDAR PATEL HIGH SCHOOL, MAO | 10493 – 10704<br>48264 | 213 |
| 4 | BETHANY HIGHER SECONDARY SCHOOL, SENAPATI | 10705 - 10983 | 279 |
| 5 | LAO RADIANT SCHOOL, KARONG | 10984 - 11310 | 327 |
| 6 | DAIKHO VA SCHOOL, SENAPATI | 11311 - 11529 | 219 |
| 7 | PURUL HR. SEC. SCHOOL, PURUL | 11530 - 11828 | 299 |
| 8 | UKHRUL HR. SEC. SCHOOL | 11829 - 12137 | 309 |
| 9 | SAVIO SCHOOL, UKHRUL | 12138 – 12464<br>48265 - 48266 | 329 |
| 10 | MARINGMI MEMORIAL SCHOOL, UKHRUL | 12465 - 12698 | 234 |
| 11 | MODEL HIGH SCHOOL, UKHRUL | 12699 – 12969<br>48267 | 272 |
| 12 | UKHRUL CENTRAL SCHOOL, UKHRUL | 12970 - 13247 | 278 |
| 13 | KAMJONG HIGH SCHOOL, KAMJONG | 13248 - 13375 | 128 |
| 14 | SOMDAL N.K. HR. SEC. SCHOOL, SOMDAL | 13376 - 13668 | 293 |
| 15 | PHUNGYAR HIGH SCHOOL, UKHRUL | 13669 - 13748 | 80 |
| 16 | KASOM KHULLEN HIGH SCHOOL, KASOM KHULLEN | 13749 - 13964 | 216 |
| 17 | CHINGAI HIGH SCHOOL, UKHRUL | 13965 – 14264<br>48268 - 48269 | 302 |
| 18 | PRETTY LAMB INSTITUTE, TAMENGLONG | 14265 - 14509 | 245 |
| 19 | TAMENGLONG HR. SEC. SCHOOL, TAMENGLONG | 14510 - 14784 | 275 |
| 20 | LANGMEI HIGHER SECONDARY SCHOOL, TAMEI | 14785 - 14945 | 161 |
| 21 | SHARON ENGLISH HIGH SCHOOL, NONEY | 14946 - 15206 | 261 |
| 22 | TENGKONJANG HR. SEC. SCHOOL, TAMENGLONG | 15207 - 15470 | 264 |
| 23 | DON BOSCO HIGH SCHOOL, KHOUPUM | 15471 – 15708<br>48270 | 239 |
| 24 | KHANGSILLUNG HR. SEC. SCHOOL, KHOUPUM | 15709 - 15834 | 126 |
| 25 | NUNGBA HIGH SCHOOL, TAMENGLONG | 15835 - 16003 | 169 |
| 26 | IDEAL HIGH SCHOOL, PALLEL | 16004 – 16116<br>48271 - 48272 | 115 |
| 27 | M.G. EVERGREEN HIGH SCHOOL, PALLEL | 16117 – 16396<br>48273 - 48282 | 290 |
| 28 | ST. JOSEPH'S HIGH SCHOOL, KURAOPOKPI | 16397 – 16635<br>48283 - 48291 | 248 |
| 29 | MAHA UNION HIGH SCHOOL, CHANDEL | 16636 – 16904<br>48292 | 270 |
| 30 | LIWACHANGNING HIGH SCHOOL, KOMLATHABI | 16905 – 17029<br>17033 - 17258 | 351 |
| 31 | MOREH HIGH SCHOOL, MOREH | 17259 - 17480 | 222 |
| 32 | ST. GEORGE SCHOOL, MOREH | 17481 - 17686 | 206 |
| 33 | JIRIBAM HIGHER SEC. SCHOOL, JIRIBAM | 17687 - 17961 | 275 |
| 34 | R.K. SANATOMBI DEVI VIDYALAYA, JIRIBAM | 17962 – 18192<br>48293 - 48295 | 234 |
| 35 | BOROBEKRA HR. SEC. SCHOOL, JIRIBAM | 18193 - 18360 | 168 |
| 36 | CHILDRENS' TRAINING HIGH SCHOOL, CCPUR | 18361 - 18761 | 401 |
| 37 | GRACE ACADEMY, CCPUR | 18762 - 19085 | 324 |
| 38 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL, CCPUR (A) | 19086 - 19433 | 348 |
| 39 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL, CCPUR (B) | 19434 – 19716<br>48296 - 48300 | 288 |
| 40 | EBENEZER ACADEMY, CCPUR (A) | 19717 – 20038<br>48301 - 48303 | 325 |
| 41 | EBENEZER ACADEMY, CCPUR (B) | 20039 - 20344 | 306 |
| 42 | PHUNGKHOTHANG GOVT. HIGH SCHOOL | 20345 - 20662 | 318 |
| 43 | RENGKAI HIGH SCHOOL, CCPUR | 20663 – 21100<br>48304 | 439 |
| 44 | GANDHI MEMORIAL HIGH SCHOOL, CCPUR | 21101 - 21377 | 277 |
| 45 | YOUNG LEARNER'S SCHOOL, CHURACHANDPUR | 21378 – 21532<br>48305 | 156 |
| 46 | MODEL ENGLISH HIGHER SECONDARY SCHOOL, SAIKUL | 21533 - 21752 | 220 |
| 47 | THANGTONG HR. SEC. SCHOOL, SAIKUL | 21753 – 22002<br>48306 | 251 |
| 48 | MOTBUNG HIGH SCHOOL, MOTBUNG | 22003 - 22214 | 212 |
| 49 | MORNING STAR ENGLISH SCHOOL, SAPARMEINA | 22215 – 22505<br>48307 - 48308 | 293 |
| 50 | SONGPAO LHINGHAT MEMORIAL HIGH SCHOOL | 22506 – 22800<br>48309 - 48310 | 297 |
| 51 | KEITHELMANBI HIGH SCHOOL, KEITHELMANBI | 22801 - 22974 | 174 |
| 52 | ELITE HIGHER SECONDARY SCHOOL, KANGPOKPI | 22975 - 23244 | 270 |
| 53 | PARIZEAU MARANATHA ACADEMY, KANGPOKPI | 23245 - 23479 | 235 |
| 54 | T. VAICHONG HIGH SCHOOL, SENAPATI | 23480 - 23613 | 134 |
| 55 | BISHNULAL HIGH SCHOOL, CHARHAJARE | 23614 - 23838 | 225 |
| 56 | HINDI SECONDARY SCHOOL, KANGLATONGBI | 23839 - 24100 | 262 |
| 57 | ST. JOSEPH'S HR. SEC. SCHOOL, SUGNU | 17030 - 17032<br>24101 - 24492 | 395 |
| 58 | SUGNU HIGHER SECONDARY SCHOOL, SUGNU | 24493 - 24787 | 295 |
| 59 | NILAPADMA HIGHER SECONDARY SCHOOL, SEKMAI (A) | 24788 - 24997 | 210 |
| 60 | NILAPADMA HIGHER SECONDARY SCHOOL, SEKMAI (B) | 24998 - 25214 | 217 |
| 61 | HEINGANG HIGH SCHOOL, HEINGANG | 25215 - 25468 | 254 |
| 62 | SAWOMBUNG HIGH SCHOOL, SAWOMBUNG | 25469 - 25760 | 292 |
| 63 | SUCCESS SCHOOL, CHINGAREL, SAWOMBUNG | 25761 - 25961 | 201 |
| 64 | PRIM ROSE ENGLISH SCHOOL, KHABEISOI | 25962 - 26188 | 227 |
| 65 | COSMOPOLITAN HIGH SCHOOL, CHINGKHU, PANGEI | 26189 – 26485<br>48311 | 298 |
| 66 | LAMLAI HIGH SCHOOL, PUNGDONGBAM | 26486 - 26773 | 288 |
| 67 | CHING TAM HIGH SCHOOL, YAINGANGPOKPI | 26774 – 27028<br>48312 - 48325 | 269 |
| 68 | LOKTAK CHRISTIAN MODEL HIGH SCHOOL, MOIRANG | 27029 - 27314 | 286 |
| 69 | MOIRANG MULTIPURPOSE HR. SEC. SCHOOL, MOIRANG | 27315 – 27696<br>48326 - 48358 | 415 |
| 70 | ANITA STANDARD HIGH SCHOOL, KWAKTA | 27697 – 27865<br>48359 | 170 |
| 71 | MUKTA HIGH SCHOOL, MOIRANG | 27866 – 28128<br>48360 | 264 |
| 72 | NINGTHOUKHONG HR. SEC. SCHOOL, NINGTHOUKHONG | 28129 - 28337 | 209 |
| 73 | THANGA HIGH SCHOOL, THANGA | 28338 - 28539 | 202 |
| 74 | BISHNUPUR HIGHER SECONDARY SCHOOL, BISHNUPUR | 28540 - 28866 | 327 |
| 75 | LOYOLA SCHOOL, BISHNUPUR | 28867 - 29042 | 176 |
| 76 | OINAM HIGH SCHOOL, OINAM | 29043 - 29368 | 326 |
| 77 | NAMBOL HIGHER SECONDARY SCHOOL, NAMBOL | 29369 – 29807<br>48361 - 48362 | 441 |
| 78 | NAMBOL COLLEGIATE HIGH SCHOOL, NAMBOL | 29808 - 29983 | 176 |
| 79 | NAREE KALYAN VIDYALAYA, NAMBOL | 29984 - 30207 | 224 |
| 80 | MEKOLA GULAP HIGHER SECONDARY SCHOOL, KODOMPOKPI | 30208 – 30428<br>48012 - 48084 | 294 |
| 81 | KUMBI HIGH SCHOOL, KUMBI | 30429 - 30754 | 326 |
| 82 | SAGANG HIGH SCHOOL, SAGANG | 30755 - 30909 | 155 |
| 83 | WANGOO HIGH SCHOOL, WANGOO | 30910 – 31086<br>48363 - 48364 | 179 |
| 84 | LANGMEIDONG HR. SEC. SCHOOL, LANGMEIDONG | 31169 – 31550<br>32337 - 32413 | 459 |
| 85 | LANGMEIDONG AIDED HIGH SCHOOL, LANGMEIDONG | 31551 - 31787 | 237 |
| 86 | HEIROK HIGH SCHOOL, HEIROK PART-II | 31788 - 31962 | 175 |
| 87 | HEIROK HR. SEC. SCHOOL, HEIROK PART-I | 31963 - 32194 | 232 |
| 88 | KAKCHING HR. SEC. SCHOOL, KAKCHING | 32195 – 32336<br>32414 – 32421<br>38876 - 38949 | 224 |
| 89 | MARTIN GRAMMAR SCHOOL, KAKCHING | 32422 - 32729 | 308 |
| 90 | KAKCHING KHUNOU HIGH SCHOOL, KAKCHING KHUNOU | 32730 - 32892 | 163 |
| 91 | LALIT MADHOB SHARMA HIGH SCHOOL, KHONGJOM | 32893 - 33250 | 358 |
| 92 | WANGBAL JR. HIGH SCHOOL | 33251 – 33566<br>48365 - 48369 | 321 |
| 93 | KHANGABOK HIGHER SECONDARY SCHOOL, KHANGABOK | 33567 - 33966 | 400 |
| 94 | SANGAIYUMPHAM HIGH SCHOOL, SANGAIYUMPHAM | 33967 - 34307 | 341 |
| 95 | ISLAMIC BABY ENGLISH SCHOOL, LILONG | 34308 - 34523 | 216 |
| 96 | LILONG HIGHER SECONDARY MADRASSA, LILONG | 34524 - 34972 | 449 |
| 97 | LILONG HIGHER SECONDARY SCHOOL, LILONG | 34973 – 35221<br>48370 - 48373 | 253 |
| 98 | AZAD HIGH SCHOOL, YAIRIPOK | 35222 - 35538 | 317 |
| 99 | POIROU KHONGJIN HIGH SCHOOL, YAIRIPOK | 35539 – 35818<br>48374 - 48376 | 283 |
| 100 | YAIRIPOK HIGH SCHOOL, YAIRIPOK (GOVT) | 35819 - 36122 | 304 |
| 101 | SEKMAI KHUMBI HIGH SCHOOL (GOVT) | 36123 - 36386 | 264 |
| 102 | STNBA HIGH SCHOOL, YAIRIPOK | 36387 – 36712<br>48377 - 48378 | 328 |
| 103 | MOIRANGPUREL HIGH SCHOOL, MOIRANGPUREL | 36713 - 36931 | 219 |
| 104 | CHAOYAIMA HIGHER SECONDARY SCHOOL, THOUBAL | 36932 – 37373<br>48379 | 443 |
| 105 | THOUBAL LEITANTHEM KANHAI JR. HIGH SCHOOL | 37374 - 37517 | 144 |
| 106 | NEW IDEAL HIGH SCHOOL, THOUBAL | 37518 - 37895 | 378 |
| 107 | N. TOMCHOU HIGHER SECONDARY SCHOOL, MAYANG IMPHAL | 37896 – 38344<br>48380 - 48398 | 468 |
| 108 | PISHAKMACHA BIDYA MANDIR, MAYANG IMPHAL | 38345 – 38691<br>48399 - 48429 | 378 |
| 109 | WABAGAI HIGHER SECONDARY SCHOOL | 31087 - 31168<br>38692 – 38875<br>38950 - 39018 | 335 |
| 110 | THE LAMDING HIGHER SECONDARY SCHOOL, LAMDING | 39019 - 39334 | 316 |
| 111 | WANGOI HR. SEC. SCHOOL, WANGOI | 39335 – 39611<br>48430 - 48526 | 374 |
| 112 | YUMNAM HUIDROM HIGH SCHOOL, YUMNAM HUIDROM | 39612 – 39931<br>48527 | 321 |
| 113 | UCHIWA HIGH SCHOOL, UCHIWA (AIDED) | 39932 – 40315<br>48528 - 48536 | 393 |
| 114 | SAMUROU HIGH SCHOOL, SAMUROU | 40316 - 40626 | 311 |
| 115 | KUMARI HIGH SCHOOL, HIYANGTHANG | 40627 – 40989<br>48537 - 48556 | 383 |
| 116 | RECENT HIGHER SECONDARY SCHOOL, SAGOLTONGBA | 40990 - 41255 | 266 |
| 117 | S.K. IDEAL HIGH SCHOOL, NGAIRANGBAM | 41256 - 41503 | 248 |
| 118 | PRAJA HIGH SCHOOL, LAMSANG | 41504 – 41801<br>48557 | 299 |
| 119 | KEISHAMTHONG HIGH SCHOOL, IMPHAL | 41802 - 41975 | 174 |
| 120 | JOHNSTONE HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL (A) | 41976 – 42275<br>48558 | 301 |
| 121 | JOHNSTONE HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL (B) | 42276 - 42575 | 300 |
| 122 | C.C. HIGHER SECONDARY SCHOOL, IMPHAL (A) | 42576 – 42875<br>45174 – 45186<br>48559 | 314 |
| 123 | C.C. HIGHER SECONDARY SCHOOL, IMPHAL (B) | 42876 - 43175 | 300 |
| 124 | TAMPHASANA GIRLS' HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL (A) | 43176 – 43475<br>48560 - 48565 | 306 |
| 125 | TAMPHASANA GIRLS' HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL (B) | 43476 - 43775 | 300 |
| 126 | TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL, IMPHAL (A) | 43776 – 44075<br>48566 - 48581 | 316 |
| 127 | TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL, IMPHAL (B) | 44076 – 44375<br>48582 - 48591 | 310 |
| 128 | LAMLONG HIGHER SECONDARY SCHOOL, LAMLONG | 44376 - 44675 | 300 |
| 129 | IBOTONSANA GIRLS' HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL(A) | 44676 - 44975 | 300 |
| 130 | ANANDA SINGH HR. SECONDARY ACADEMY, IMPHAL | 44976 – 45173<br>45187 - 45275 | 287 |
| 131 | BRIGHTER ACADEMY, NEW CHECKON, IMPHAL | 45276 - 45575 | 300 |
| 132 | WANGKHEI HIGH SCHOOL | 45576 – 45875<br>48592 - 48593 | 302 |
| 133 | RAMLAL PAUL HR. SEC. SCHOOL | 45876 - 46175 | 300 |
| 134 | REGULAR ENGLISH HIGH SCHOOL, KWAKEITHEL (A) | 46176 – 46475<br>48594 | 301 |
| 135 | REGULAR ENGLISH HIGH SCHOOL, KWAKEITHEL (B) | 46476 - 46773 | 298 |
| 136 | PITAMBARA ENGLISH SCHOOL, KWAKEITHEL | 46774 - 47064 | 291 |
| 137 | TEMPLE OF LEARNING, CANCHIPUR | 47065 – 47363<br>48595 - 48603 | 308 |
| 138 | MODEL HIGHER SECONDARY SCHOOL, TAKYEL | 47364 – 47664<br>47887 - 48011 | 426 |
| 139 | IBOTONSANA GIRLS' HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL (B) | 47665 - 47886 | 222 |
| 140 | NONGPOK MAHEIKOL, BRAHMAPUR ARIBAM LEIKAI | 48085 – 48263<br>48604 - 48609 | 185 |